## য়াম্বেমগী লৈকায়...

*লামায় ১গী মখা...* তগী হৌরদুনা হায়রিবা অন্দ্রো এ সীগী য়াইরিপোক য়াম্বেমগী লৈকায় অহুম অসিদা থা ২ চূপ্পা চৎনগনি হায়রি।

অথিংবা অসি থল্লিঙৈগী মনুংদা মীওই ৫ নৎত্রগা ৫দগী হেন্না পূনবা য়ারোই। নোংমৈ, চৈ, নূঙ নৎত্রগা খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবা য়াবা পোৎলমশিং পুদুনা চৎথোক-চৎশিন তৌবসু য়ারোই হায়রি।

মফমশিং অসিদা ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসিগী তঙাইফদবা লৈবদগী অথিংবা অসি নোটিশনচিংবা পীদনা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটকী মায়কৈদগী এক্স-পার্টে ওইনা থম্বনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, ঙরাং থোকখিবা থৌদোক অদুদা এ সী অসিগী মীরেপ ওইগদৌরিবা লৌরেম্বম সঞ্জয়গী ৱার্কর ৩ নোংমৈনা পান্দুনা শোকখিবগা লোয়ননা পূন্না মীওই ৬ শোক্তুনা হোস্পিটালাইজ তৌখিবনি।

### অশিবা হকচাং লৈরম্লে...

*লামায় ১গী মখা...* মমিং মথা হৌজিক ফাওবা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি। মীওই অসি ফুট ৫গা ইঞ্চি ৫ ৱাংই, কুচু মুই, মশা ময়ায় ওইরপ ফৈ, মশম তেল্লগা মুই, পুমা হায়না থাবা হঙ্গামপাল মচুগী টি-শর্ট অমা লিংলগা অমুবা মচুগা অঙৌবা নাকল অনীমক্তা ষ্ট্রিপ চেনবা ত্রেক পেন্ট অমা শেৎলক্ষ্মী অমসুং মোরেগী চম্পল অমা তোংলক্ষ্মী হায়রি।

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 87.203600 |
| US Dollar | 75.489674 |
| British Pound | 102.777665 |
| Australian Dollar | 55.717009 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.707158 |
| Japanese Yen | 0.666096 |
| Malaysian Ringgit | 18.124335 |
| Singapore Dollar | 55.685267 |
| South Korean Won | 0.063126 |
| Saudi Arabian Riyal | 20.130580 |
| Thai Baht | 2.265959 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 46807.00 |
| Mumbai | – | Rs | 47180.00 |
| Delhi | – | Rs | 47110.00 |
| Kolkata | – | Rs | 47510.00 |

**GAS NEWS**

**M/S R & H INDANE SERVICE IRILBUNG**
Only Home Dellivery
**Booking Upto 30/08/2021**
Valid from 23/08/21
**Stock 306 nos.**
Home Dellivery &Booking Contact numbers 8132036940/ 8414824977/8413936705
Call timing 8 am to 12 noon
Sunday closed
**IMPHAL LPG SERVICE**
(Home Delivery only) Ujjwala connection available :05-10-2021 Update Gas Card With Fresh personal photo .
New Contact Office No. 6009392991, 9362654114, 03853560556.
Time 8:30 to 12:30 .
Those who haven't received send to whatsApp no.9863624773 their form no1. also available 19kg and 5kg .please don't use other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.
In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app>
It's applicable for all of IOCL.
Encourage online payment.
Please prepare document i.e. Aadhar accompanied with phone no.and voter ID for Ujjwala connection.
**KHORIPHABA NAMBOL**
**Bk up-to-date**
Home delivery contact no : 9366471778, 8974087390, 8787632782
**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 AM TO 12:00 NOON
**BOOKING : BK. UPTO DATE**
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST 8131942156 (SMS/WHATSAPP)
7085198900 (ENQUIRY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052
FOR ALL LANGOL AREA 7085977502
DELIVERY WITHIN 3 TO 5 DAYS
**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 20/09/2021
**BOOKING UPTO: 23/09/2021**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY:
03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM
**TDK GAS**
**BK. UPTO 25/08/21.**
VF. 19/08/21.
HOME DELIVERY ONLY
CONTACT NOS. 6909614353, 8731992324.
TIMING 9:00 AM TO 3:00 PM.
**M/s K&K INDANE SERVICE,**
home delivery only
**Booking uptodate**
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE -9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.
Enquiry no. 9856134465.

# মীখলগী ঈরাং : লমলাইদা মীরেপ...

*লামায় ১গী মখা...* ফিরাল অমদি লাউদ স্পিকর শীজিন্নবা য়ারোই হায়বা লৈবনিনা পাঙথোক্কনি থৌরাংলিবা মীফম অদু পাঙথোকপীগনু। অদুগীসু মথক্তা লমলাইগী লৌমীশিংনা হার ফংনখিদবা মতম অমসুং কোভিদ পেন্দমিক মায়োক্লখিবা মতমদা মীয়ামগীনি হায়দুনা করিগুম্বা মখল অমত্তগী থবক অমত্তা তৌখিদ্রবা ক্ষেত্রিময়ুম বিরেননা হৌজিক্তদা ভোট ময়াদা থোরক্তুনা মীফম পাঙথোকপা হায়বসি লৈকায়না য়ানীংদে। মসিগীসু মথক্তা লমলাই খুলগী ওইনা কেন্দিদেট অমসু লৈরিবনা মীফম অদু পাঙথোক্তনবা খঙহল্লমখি হায়রি।

ৱাফম অদুদা মীখল পাঙথোক্লবগীদমক শেম শারম্বা এস ইতোচাগী মচানুপা সুরকুমারনা ময়াম্না য়াদ্রবনিনা পাঙথোক্লরোই হায়বগী থাজবা পীরকখি হায়রি। অদুবু নুংথিলগী পুং ২ হেল্লকপদা হান্নদগী শেম শারকখিবগী মতুংইন্না এক্স এম এল এগী মায়কৈদা মহাকপু শৌগৎপশিংনা মফম অদুদা মীফম পাঙথোক্লবা হোৎনরকপদগী কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইগনি হায়রিবা অচোইবম দেবেনগী নুপা অমসুং নুপী ৱার্করশিংনা অমুক হন্না মীফম পাঙথোক্তনবা চঙশিল্লুবদা মীফম অদুদা শরুক য়ানবগীদমক লৈরম্বা মীওইশিংনা নোংমৈ, থাঙ, নূঙ অমসুং হোকি ষ্টিকনচিংবা পায়দুনা এটেক তৌরকপদগী নাকল অনীগী মরক্তা নূঙ থানবগী ঈরাং থোকখিবনি হায়রি।

থৌদোক অদুদা এ দেবেনগী এক্টিভ ৱার্করশিং খরা অশোক অপন নংখি হায়রদুনা লমলাই ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী মায়কৈদগী জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) এস লোলিন্দ্রোনা কমপ্লেনেন্ট ওইদুনা লমলাই পি এসকী ও সীদা অইবা রিপোর্ট অমা ঙসি নুমিদাং পুং ৮ লোম তারকপদা পীশিল্লক্লে হায়রি।

রিপোর্ট অদুদা এক্স এম এল এগী ৱার্করনি হায়বা নুপা অমসুং নুপী মীওই ৬০গী মমিং পন্দুনা মরাল শীরকখিবগা লোয়ননা মখোয়বু ফাদুনা পীফম থোকপা চৌরাকশিং পীবিনবা হায়জরকখি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, এক্স এম এল এগী ইলেক্সনগী মীটিং পাঙথোক্কনি থৌরাংলম্বা মফম অদুগী মায়কৈদগীসু ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট এ দেবেনগী ৱার্করশিংগী মায়োক্তা লমলাই পুলিসতা অইবা ৱাকৎ চেরোল অমা পীশিল্লকখি হায়রি।

থৌদোক অদুগী পাউ তাবগা লমলাই পুলিসকী মশীং য়াম্লবা পর্সনেলশিং লাক্লুনা মতম চানা কন্ত্রোল তৌহৌবদগী মখা তানা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিংদি থোকখিদ্রে হায়রি।

অমরোমদা, ঙরাং নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীদা মীখলগা মরী লৈননা থোকখিবা থৌদোকশিংগী মতাংদা শিংজমৈ পি এসনা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর ১৪০ (১০) ২০২১গা মরী লৈননা ফাগৎখিবা নিঙোম্বম ময়ায় লৈকায়দগী কোইজম মেমথোইবী (৫২) মপুরোইবা দেবেন অমসুং নিঙোম্বম মখা লৈকায়দগী সোইবম রঞ্জনা (৫২) মপুরোইবা এস হেমচন্দ্র ঙসি সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পুলিসকী মায়কৈদগী জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবদা নুপী অনীসিগী মায়কৈদগী পুলিসকী প্রেয়র অদুবু ওবজেক্সন তৌরদুনা কোর্টতা বেল পীবিনবা হায়জরকপদগী কোর্টনা খন্নরবা মতুংদা বেল পীখ্রে।

কেস অসি নিঙোম্বম অৱাং লৈকায়দগী শাদোকপম আশাকুমার অপোকপা খোম্বনা কমপ্লেনেন্ট ওইদুনা ঙরাং নুমিদাং ফাইল তৌরকখিবনি। মহাক্কী রিপোর্টতা চুমথাং সনাপুংগী মেনেজিং দিরেক্টরসু ওইরিবী সোরাইসম ওংবী কেবিনা এ সী অসিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট অমা ওইবগী মথক্তা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংদা শেলগী তেংবাঙ পীনবগীদমক মীফম অমা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটকী অয়াবা লৌদুনা পাঙথোক্লবা থৌরাংলিঙৈদা এক্স এম এল এ, এস সুভাসচন্দ্রগী ৱার্করশিংনা মখোয়গী এক্স এম এল এগী নত্তনা অতোপ্পা কেন্দিদেট অমত্তগী মীফমশিং নিঙোম্বমগী মফম অমত্তদা পাঙথোকপা য়ারোই হায়দুনা নূঙ থাজিন্দুনা থুগাইরখিবনি হায়রি।

থৌদোকসিদা মীওই ২ শোকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অসি মীওই ১৪না লুচিংদুনা থোকহনখিবনি হায়নসু মখোয়গী মমিংশিং কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অসিদা পল্লকখি।

অমরোমদা, ঙরাং নুংথিল পুং ১.৪০ রোম তারকপদা নিঙোম্বম ময়ায় লৈকায়দগী অহোংশাংবম সনায়াইমা (২৪) অপোকপা অপাবীনা পোইলা লৌকোলদা লৈবা মহাক্কী লৌবুক্তা চৎপদা নিঙোম্বম ফুরামখোঙ আই ভি আরগী এম কে মিট হোটেল মনাক্তা খাল্লম্বা কার অমসুং জীপসি ৬/৭তগী কুমথরকপা মীওইশিংগী মনুংদগী অমনা মহাকপু হাংননবা নোংমৈ রাউন্দ ২ কাপ্লম্বগী মায়োক্তা শিংজমৈ পি এসতা সনায়াইমা মশানা রিপোর্ট তৌরকপদগী কেস অমা লৌখৎখি। লোয়ননা থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওই খরা মফমদুদগী নাম্থোক্তুনা চেনশ্রবসু খুঞ্জাশিংনা মখোয় খরা ফাহৌবদা নত্তনা কাপথোকশ্রবা নোংমৈ মরুগী এমটি কেস ফংখি হায়রি।

পুলিসনা লৌখৎপা থৌদোক অসিগী কেসকা মরী লৈননা হাওবম মরক চিংথাম লৈকায়দগী সাইমোন য়ুম্নাম (৩৮) অপোকপা বিরেন্দ্র য়ুম্নাম কৌবা মীওই অমা ফাগৎখিবগা লোয়ননা লাইসেন্স পিষ্টোল ১ অমসুং কাপ্পা য়ারিবা মরূ ৩ অমদি নোংমৈ অসিগী লাইসেন্সসু পুলিসনা ফাগৎলে হায়রি।

মহাকপু পুলিসনা কোর্ট অসিদা পুথোক্লবা মতুংদা মখোয়গী কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখ্রে।

# পি এস ওগী ১৩শুবা কুমওন...

*লামায় ১গী মখা...* পি ঐচ নন্দো লুৱাং, এম এস এফকী প্রসিদেন্ট কে ঐচ বিদ্যাসাগর, এম এস এফ অমসুং পি এস ওগী এদভাইজর কে ঐচ সেরাজউদ্দিন, এন জি মিলননা অখন্নবা মীথুংশিং ওইখি।

থৌরমগা মরী লৈননা প্রসিদেন্ট জেক্সননা পি এস ওনা মতম মতমগী থোরকপা থৌদোক ৱাথোকশিংদা শরুক য়াদুনা লাক্লি। ওর্গনাইজেসন অসিগী দ্রগ এফ্যেরস কম্মিটি অমা অথুবা মতমদা শেম্লগনি। তুংগী মীরোল অমসুং ইনখৎলক্লিবশিংবু ময়ায় কাবা চিঙাক্তগী লাপথোক্লা লৈহন্নবা হোৎনরগনি। মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা খুন্দারিবা পাঙলশিংদা দ্রগ এৱ্যের্নেস প্রোগ্রামশিং চঙশিল্লগনি। মরমদি হৌজিক দ্রগকী চৈথেং হেন্না ফংলক্লবা খুন্নাই অমা ওইরক্লে। মসিনা মরম ওইরদুনা তুংগী মীরোলশিং কলহৌদবা য়াদে হায়খি।

হৌজিক মণিপুর লৈঙাক্লা ময়াই কাবা চিঙাক কয়া ফারবসু ময়াই কাবা চিঙাক্কী ঈপাক্তা তাওবগী চাংদি নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। মসিনা মরম ওইরদুনা মহৈরোয়শিংদসু ক্রাইম হেনগৎহল্লক্লি। ইনখৎলক্লিবা নহা কয়াগী পুন্সি তেমশিংনবা, পুন্সি তেনখিবা থৌদোকশিং য়েংলগা মতৌ করম্না ময়াই কাবা চিঙাকশিং অসি থিংগদগে হায়বগী ৱাখল্লোন্দা পি এস ওনা দ্রগ এফ্যেরস কম্মিটি অসি শেমগদবনি। কম্মিটি অসিনা ৱাখল্লোন মান্নবা লূপশিংগা খূৎশম্নদুনা খোঙজংশিং চঙশিনগনি হায়খি।

কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মীওইবগী পুন্সি কয়া মাঙখ্রে। লায়না অসিনা এদ্যুকেসনদসু অকায়বা কয়া পীরে। মরম অসিনা কোভিদ-১৯দগী মতৌ করম্না ঙাকথোক্কদগে হায়না লুম্না লৌবগুম্না এদ্যুকেসনদসু চহী ১ হেন্না লাইরিক তম্বা ফংলক্তবগী অৱাবা অসি মতৌ করম্না কোকহনগনি হায়বসিদসু লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# থাঙ-তা ফোর স্পেসল চেঞ্জ থাবুম ...

*লামায় ১গী মখা...* মার্সিএল আর্টস এন্দ কলচরেল সোসাইটিগী শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবগী থৌরম অমদা মহাক্লা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা হায়, থাঙ-তাগী থাবুম অসি তোঙান তোঙানবা থৌরমশিংনা মপূং ওইদুনা পাঙথোক্কদবনি। থৌরমশিং অসিগী মনুংদা লূ-নান্না থম্লবা শিৎ-শেংবা, এৱ্যের্নেস কেম্প্যেন, রেল্লি, উ চারাশিং থাবা য়াওরি। মসিগী মথক্তা থাঙ-তাগা মরী লৈনবা য়ূম্বানলোন, লাইনীংলোন, থকসি-খাসি, শিন্সুরোলনচিংবা নোংম-নোংমগী কায়থরক্লিবা খুন্নাইরোলদগী কলহৌনবা মীয়ামগা পূন্না চঙশিনমিন্নগনি। থৌরমশিং অসি তুংগী মীরোল কলহৌনবগী ৱাখল্লোন্দা চৎথগদবনি হায়খি।

থাঙ-তাগী নুমিৎকা মরী লৈননা কুমজা ২০১৮দসু থাঙ-তাগী ওজা হাপ্পীয়ু হায়দুনা খোঙজং কয়া চঙশিনবা লৈখি। জুলাই ২৯, ২০১৮দা মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ মীফম কয়াসু পাঙথোকখি। চীফ মিনিষ্টরদসু মেমোরেন্দম পীশিনখি অদুবু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চপ চাবা পাউখুম অমত্তা পীরমখিদ্রি। মসিগী মখা তাবা ওইনা এদ্যুকেসন দিপার্টমেনন্টনা কন্ত্রেক্ট লেকচরর লৌবা মতমদসু অকনবা খোঙজং চঙশিনখিবনি। মসিগীদমক নুপী অঙাং য়াওনা পুলিসনা মীওই ২৭ ফাদুনা নবেম্বর ১১, ২০১৮দা জে লদা থাজিনখিবা থৌদোক অদু মালেমগী পুৱারীদা কাউবা য়াদনা লৈহৌরগনি হায়খি।

অদুবু খোঙজং অদুদগী হেন্না কনবা খোঙজংশিং চঙশিল্লক্লগনি হায়বদগী নবেম্বর ১৫, ২০১৮দা ফাজিল্লুবা মীওইশিং অদু থাদোরকখি। মখোয়বু থাদোরকখিবা নুমিৎ অদুবু নীংশিংদুনা ঙসি ফাওবদা থাঙ-তাগী নুমিৎ হায়দুনা থৌরম পাঙথোক্তুনা লাকপনি হায়খি।

মরম অসিনা হন্দক চহীগীসু পাঙথোক্কদৌরিবা থাঙ-তাগী নুমিৎ অসিদা হীরম অসিগী মরী লৈনবা লূপশিং, ওজাশিং, থাঙ তাবু নুংশিবীবা মীওইশিং অমদি সী এস ও অমদি মীয়াম্না থৱায় হাপ্পীদুনা থাঙ-তাগী মশক থোকপা শক্তম অমা লৈরকহন্নবা হোৎনবদা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু আপীল তৌখি।

# ওক্টোবর ১৫দা য়ু পি আর এফ এমনা টোটেল শটদাউন লাউথোরক্লে...

*লামায় ১গী মখা...*

লোই মপু লৈবাকসিনা মশাগী দেমোক্রেসিগী ফমথোল অমা শেমগৎতুনা লৈঙাকচদ্রিঙৈ মমাঙ, য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী কংলৈপাক্তি পরিং নাইনা নিংথৌরোল কয়ানা লৈঙাকচদুনা তোপ তোপ্পা শক্তম অমদি খুন্নাই লোনগা লোয়ননা কংলৈচাশিংনা মশাগী নেসনল করেক্টর খঙনা মতিং লৈনা সোভরেন্ট ইন্দিপেন্দেন্ট ষ্টেট অমা ওইনা লাকখি। অদুবু কুমজা ১৮৯১গী এঙলো-মণিপুর ৱারদা কংলৈপাকনা বৃটিশকী মখূৎতা মায়থীদুনা মতম খরা মনীংতম্বা মাঙলুরবা মতুং ওগষ্ট ১৪, ১৯৪৭কী নোংয়াইদগী বৃটিশশিংনা কংলৈপাক্কী নীংতম্ববু অমুক ইন্দিয়ন ইন্দিপেন্দেন্স এক্ট, ১৯৪৭কী মতুংইন্না কংলৈচাশিংদা শিন্নরমখি অমদি কংলৈপাক য়াওনা অতোপ অতোপ্পা নিংথৌ পানবা ষ্টেট কয়াগী মনিংতম্বা অমুক হঞ্জিনখি।

মসিগী মখা তারকপা ওইনা মণিপুর ষ্টেট কন্সটিট্যুসন এক্ট, ১৯৪৭ শেমদুনা কংলৈপাক্কী মশাগী মীয়াম্না লৈঙাকচনবা এদল্ট ফ্রঞ্চাইসতা য়ূম্ফম ওইবা ইলেক্সন অমা ১৯৪৮গী জুন-জুলাইদা পাঙথোক্তুনা মীয়ামগী মীহুৎ খন্দুনা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি লিংদুনা কংলৈপাক (মণিপুর) সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা সোভরেন্ট ইন্দিপেন্দেন্ট নেসন অমা ওইনা লৈঙাকচবা অমুক হৌরকখি। মণিপুর ষ্টেট কন্সটিট্যুসন এক্ট, ১৯৪৭কী মখাদা নিংথৌগী পৱার অমদি দিমোক্রেটিক ফোর্ম ওফ গভর্ণমেন্ট ওইরবা ষ্টেট এসেমব্লিগী পৱারশিং আর্টিকল কয়াদা মরীক চুন্না ইথোক্তুনা থম্বগা লোয়ননা মহারাজগী পৱার অসি ষ্টেট এসেমব্লিদা লৈত্রে হায়বসি মণিপুর ষ্টেট কন্সটিট্যুসন এক্ট, ১৯৪৭না ময়েক শেংনা তাক্লি। অসুম্না মনীংতম্বা লৈবাক অমগী ষ্টেট এসেমব্লি অমদি কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরশিংগী অয়াবা য়াওদনা ৱারেপ অমত্তা মরন্নাই ওইনা লৌবা ঙম্বগী লেজিটিমেট রাইট/পৱার লৈত্রবা নিংথৌ বোধচন্দ্রবু শিলোংদা কৌরগা ইন্দিয়ন লান্মীশিংনা নুমিৎ হুমনি হেন্না লাঙ্গৈাই চনশিন্দুনা থল্লগা নম্ফুগী খূৎয়েক অমা লৌদুনা মণিপুরবু ইন্দিয়াদা তিনশিল্লে হায়রিবা এগ্রিমেন্ট (মর্জর এগ্রিমেন্ট) অসি নমথাক্কী এগ্রিমেন্ট ওইবদা নত্তনা মনীংতম্বা লৈবাকশিংগী মরক্তা পীনবা য়ান খূৎয়েকশিং/ৱারোলশিং ওইফম থোক্ত্রে অমদি চৎনবা য়ারোইদবা ত্রিটিনি হায়বসি য়ু এনগী ভিএননা কনভেন্সন ওফ দি লোজ ওফ ত্রিটিজ, ১৯৬৯দা পীরিবা আর্টিকলশিংদা য়াম্না ময়েক শেংনা পল্লি হায়রি।

অদুবু, লোইলম ইন্দিয়াগী খূবামনুংদা কংলৈপাক্কী নীংতম্বা নম্ফুন্দা হেক পায়শিনখিবা মতমদগী কংলৈপাক্কী লৈঙাকলোন য়াম্না হন্থবা থাক অমদা থমদুনা পার্ট-সী ষ্টেটকী কেটেগোরিদা থল্লগা ইন্দিয়াগী চীফ কম্মিস্নর অমগী মখাদা মমিংতগী ওইনা লৈঙাক্তুনা কংলৈচাশিংগী নেসনেলিজম অমদি নেসনল করেক্টরদা অচৌবা শিংনবা অমা ওইদুনা লাকখি। কংলৈচাশিংগী শিংলি নাওরিশিংদগী মশাগী নেসনেলিজমগী ৱাখল্লোনশিং মপূং ফানা মাঙহনখিনবা মীয়ামগী কোক অমদি ভিজনশিং থমাইদুনা থম্নবা পোলিসি প্রোগ্রাম কয়া লোই মপু ইন্দিয়ানা লেপ্পা লৈতনা চখদুনা লাক্লি। কংলৈচাশিংগী লৈঙাকলোন অমদি পুন্সি মহিংগা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদবা লোইলম ইন্দিয়াগী মীয়ানচাশিংগী বেসিসতা য়ূম্ফম ওইদুনা শেমখিবা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনবু কংলৈপাক্তা নমদুনা এনফোর্স তৌশিনবনা মরম ওইদুনা ঙসিদি কংলৈচাশিংগী খুন্নাইলোন, শেন্মীৎলোন, লৈঙাকলোন লোইনমক কংলৈপাক্কী নেসনেলিজমগী ৱাখল্লোন্দগী তপ্না তপ্না মমি শামহল্লক্লবা ইনোৎ হাপ্পা ওইনা থোক্লি।

লোই মপু ইন্দিয়ানা কংলৈচাশিংবু নমথনবা, দেমোগ্রাফিক ৱার অমা য়াম্না ঙল্লিঙৈদগী হৌদুনা মীতোপ মীয়ানচাশিংদগী ঙাকথোক্লবা শেমজখিবা কংলৈপাক্কী পাস অমসুং পর্মিট সিষ্টম ১৯৫০দা লৌথোকখি অমদি লমদম অসিদা মীতোপ মীয়ানচাশিংনা ঈশিং ঈচাওগুম হেনগৎলকখি। লমদম অসিগী মীয়ামগী মরক্তা দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসি চখদুনা তোঙান তোঙানবা পোলিসি কয়া শেমদুনা কংলৈপাক্কী শক্তম অমদি মপূং ওইবা পুৱারীশিং পূংমুৎ মুথৎখিনবা লাল্লোং কয়া লেপ্তুনা চথরক্লি। অসুম্না কংলৈপাক্কী মীয়াম্না লোইলমগী মখাদা হিংলুবনা মরম ওইরগা কংলৈচাশিংগী হিংবগী রাইট য়াওনা হীরম খুদিংমক্তা জষ্টিস ফংদনা মীওইবা অমা ওইবগী রাইট টু লাইফ ফাওবা শেংনা অমদি চুম্না ফংবা ঙমহনবীদনা নমথদুনা থল্লক্লি। মশাগী মনীংতম্বা য়াওদনা হিংলিবা ঐখোয়গী কংলৈচাশিংনা লোইলমগী লৈঙাকলোন অসিদগী অচুম্বা অমদি অশেংবা ৱায়েল কৈদৌনুংদা ফংবা ঙল্লোই হায়বসি ঐখোয়গী ইরৈচাশিংনা ৱাখল খন্থবগী মতম য়ৌরে। অসুম্না মালেমগী মীয়াম্না য়াবা চৎন-কাঙলোন পূন্নমক নাকোয়নরল্লগা নমফু তৌদুনা পীনখিবা অমদি মশাগী নেসনেলিজমগী ৱাখল্লোন চেৎনা থাজবা কংলৈচাশিংনা মশাগী মনীং তম্বা অমুক পামদুনা মখল মখা কয়াগী ঈহৌ, দিমান্দ, প্রোটেষ্ট অমদি লাঞ্জংশিং চঙশিল্লকপনা ঙসিদি ইন্দিয়া অমদি মণিপুরগী মরক্তা অচৌবা মুক্লবা থোরক্লি। লোয়ননা কংলৈচাশিংগী মনীংতম্বা অমুক হঞ্জিনবা হায়বসিনা ইরৈচাশিংগী তুংগী লাইবক লেপচনবা অমত্তা ঙাইরবা লম্বীনি হায়রি।

অসুম্না লোই মপু ইন্দিয়ানা নম্ফুন্দা মৎপীখ্রবা কংলৈপাক্কী নীংতম্বা অমদি মদুবু চৎনরে হায়দুনা লাউথোরক্তুনা মণিপুরবু ইন্দিয়াদা নমতিন তিনশিনখিবা নুমিৎ ওক্টোবর ১৫, ১৯৪৯বু য়ানীংদবগা লোয়ননা মালেমগী চৎন-কাঙলোনশিং শাথীনা ইন্দিয়ানা থুগাইবনি হায়না লৌদুনা হন্দক চহীগীসু লাক্লিবা ওক্টোবর ১৫, ২০২১ অসি মণিপুর পূম্বদা নেসনল ব্লেক দে (অমম্বা নুমিৎ) হায়না ওবজার্ভ তৌদুনা য়ু পি আর এফ এমনা পুং ১৮গী টোটেল শটদাউন লাউথোক্লে হায়রি।

হায়রিবা টোটেল শটদাউন অসিনা লমদম অসিদা ইমজেন্সিগী হীরমশিংদা থবক তৌবীরিবা অদুগা লাইনীং-লাইশোনগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং অমদি ঈ-পাউগী লম্‌দা থবক তৌরিবশিংদি কোনশিল্লোই হায়রি।

## অঙাং য়াওনা ৩ কাপ্পুনা...

*লামায় ১গী মখা...* ভিলেজদা মীয়াম তিন্দুনা লৈরিঙৈদা মীওই খরনা মফম মরাং খঙদনা নোংমৈ পংকাপ্পা কাপশিল্লক্তুনা চহী ৮ লোমদমক ঙাইরিবা নুপামচা অমা অমসুং এম টি খুলেনগী নিংথৌ য়াওনা মীওই ৩ হাৎখিবা অদুগা চহী ২ রোমতমক ঙাইরিবা অঙাং অমনা তমথীনা শোকহনখিবা অদু টেররিষ্টকী থৌওংনি।

ঈংনা-চিক্না লৈবা পামজবা মীয়ামগী পুন্সিবু তমথীনা শিংনবদু ঐহাক্কী লৈঙাক্না খাঙদুনা লৈবা ঙমদে। দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অসিদা হিংশাগী মফম লৈতে। মখোয়গী কা হেনবা থৌওং অদু ঐহাক্না অৱাংবা থাক্তা কন্দেম তৌজরি। মসিগীসু মথক্তা থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা মীপাইনদুনা চেল্লিবা মীপূম খুদিংমক্কী ঙাক শেনবগী থৌদাং লৈঙাক্না লৌগনি। মখোয়বু মতু নাম্মা শোকহন্দনবা থবক লৌখৎলু হায়না অৱাংবা থাক্কী পুলিস ওফিসরশিংদা খঙহনখ্রে।

থৌদোক অদুদা চেন্নরিবশিং অদুগী মথক্তা অকন্নবা থবক লৌখৎননবা আর্মি, অসাম রাইফলস অমসুং মণিপুর পুলিসকী মকোকশিংদা য়াথং পীখ্রে। ফীভম থীনা শোকপদগী লায়কন্নরিবা অঙাং অদুগী পুন্সি কন্ননবা থবক লৌখৎনবসু মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে। টেররিষ্টকী এটেক্তা লৈখিদ্রবা মীচম মীয়ামগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা ফংহৌরিবা অৱাবা, নুংঙাইতবদা লৈঙাক অসিনা থম্মোয় শেংনা শরুক য়াজরি। লৈখিদ্রবশিংগী থৱায় মিরেলনা ঈংনা চিক্না মপুগী লৈকোলদা লৈরুনবা ঐহাক্না শেম্বীবা মপুদা খুরুমজরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, ঙসিগী থৌদোক অদু অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তারকপদা থোকখিবনি। লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুদি ভিলেজ চীফ পাওলান কিপজেন অপোকপা কামখোতিন্থাং কিপজেন, বি গমনোম খুলদগী লুনজামাং কিপগেন অপোকপা হেমলান কিপগেন অমদি সৈচাং খুলদগী জমখোলম খোংসাইনি। নোংমৈনা পান্দুনা শোক্লবা অঙাং অদুগী মমিংনা লৈখিদ্রবা অঙাংসিগী মনাওনুপা মাষ্টর জোইল এলিয়জ লালমিংগুন (২) কৌই।

থৌদোক অসিগী পাউনা হায়বদা থা অসিগী ১০দা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী খূৎতা লৈখিদবা কে এন এল এগী কাদর ৪গী মফমদা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম পাঙথোক্লিঙৈদা নোংমৈ পায়বশিং অদুনা মীয়াম মরক্তুদা নোংমৈ মরূ কয়ামরুম কাপশিল্লকখিবনি হায়রি।

থৌদোক অদুদা অঙাং য়াওনা মীওই ৩ শিরগা পিল্লিবা অঙাং অমনা শোকপা খক্তা নত্তনা খুঞ্জা অমগী মারুটি জীপসি অমসু অকায়-অতোয় থোকখি হায়রি।

থৌদোক্তুগী পাউ ফংবগা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিসনেল এস পি (ওপরেসন্স) লেমি ময়েংবমনা লুচিংবা ১৬-এ আর য়াওবা অমসুং কম্যান্দোগী টিমগা লোয়ননা চঙশিন্দুনা ওপরেসন চথবা হৌখ্রে হায়রি। অদুম ওইনমক নুমিদাং অথেংবা ফাওবদদি থৌদোক অদুদা চেন্নবনি হায়বা মীওইশিং ফাবা-পূনবগী পাউ ফংবা ঙমখিদে।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই ৩গী হকচাংশিং জেনিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌনবা পুখৎলকখ্রে। কম্বাইন্দ ফোর্স অদুনা ঙসি নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা মফম অদু য়াওনা অকোয়বগী এরিয়াশিংদা পাক শন্না থি-হৃক্পগী থবক চথখি হায়রি।

## চহী ২দগী ১৮ ফাওবগী অঙাংশিংদা...

*লামায় ১গী মখা...*অসিনা সবমিট তৌখিবা ক্লিনিকেল ত্রাইএল দেটা অদু সেন্ট্রেল দ্রগস ষ্টেন্দর্দ কন্ট্রোল ওর্গনাইজেসন (সী দি এস সী ও) অমসুং এস ঈ সীনা মপূং ফানা রিভিয়ু তৌখি অমসুং মখোয়না পোজিটিভ রিকমেন্দেসন পীরকখি। ভেক্সিন দিভেলপর অসিনা মখা তানা হায়, মসি মালেমগী ওইনা চহী ২-১৮ গ্রুপতা শীজিন্নবা এপ্রুভ তৌবা অহানবা ভেক্সিনশিংগী মনুংদা অমনি। রিভিয়ু প্রোসেস থুনা চথবীখিবগীদমক্তা ভারত বাইওটেকনা দি সী জি আই, সবজেক্ট এক্সপর্ট কম্মিটি অমসুং সী দি এস সী ওবু থাগৎচরি। প্রদক্ট লোঞ্চ তৌদুনা অঙাংশিংদা শীজিন্নবা মার্কেটতা ফংহন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা ঐখোয়না সী দি এস সী ওগী মায়কৈদগী মখা তাবা এপ্রুভেলশিং ঙাইরি।

ভেক্সিন অমা ইমর্জেন্সিদা শীজিন্নবগী অয়াবা পীবা হায়বসি অকক্লবা কন্দিসন খরগী মখা পোল্লি। কোভেক্সিনগী দিভেলপর অসিনা এপ্রুভ তৌবা হোল ভিরিওন, ইনএক্টিভেটেদ কোরোনা ভাইরস ভেক্সিনগী চাংয়েং প্রোটোকোল মতুং ইন্না মখা তানা ষ্টদি চথখিগনি। মসিগী মথক্তা ফার্ম অসিনা এনালাইসিস মতিক চানা তৌদুনা এ ঈ এফ আই অমসুং এ ঈ এস আইগী দেটা য়াওনা অহানবগী থা অনীগী ওইনা নুমিৎ ১৫নি খূদিংগী সেফটি দেটা সবমিট তৌগনি। মসিগী মনুংদা থা খূদিংগী দেটা সবমিট তৌগনি।

## ঙসি 'বর' নুমিৎকী ত্রাফিক ...

*লামায় ১গী মখা...* ইরোম মৈজ্রাও লম্বীদনা কামখ্যা পেমতোন কোলেজ গ্রাউন্দগী হিয়াংথাং লাইরেম্বীগী লাইশঙ অমসুং ময়াং ইম্ফাল মায়কৈদনা শামুরৌ গ্রাউন্দগীনা লাইশঙ অসি ফাওবগী মরক্তা ভি আই পি/এম্বুলেন্স/ফায়র বৃগেদ/সিক্যুরিটি পর্সনেল অমসুং মেজিষ্ট্রেটশিংগী নত্তনা মখল অমত্তগী সাইকল/রিক্সো য়াওনা গাড়ী পূন্নমক চঙবা য়ারোই হায়রি।

অদুম ওইনমক নম্বোল, মেকোলা, নিঙোম্বম, কোদোমপোকপী লমখায় অমসুং মালোম ফাওদুনা লাক্কদবা গাড়ীশিংনা টিদ্দিম রোদতগীনা হিয়াংথাং কাংজৈবুং ফাওবা চঙলকপা য়াগনি। ময়াং ইম্ফাল মায়কৈদগী ইম্ফাল তম্না চৎকদবা গাড়ীশিংনা ইম্ফাল তুরেল তোর্বান্দা হাওরৈবি রোমদা কোয়রগা চৎকদবনি। ইম্ফালদগী হিয়াংথাং লোমদা চৎপা গাড়ীশিংনা ফুরামখোঙদগী হৌরগা নিঙোম্বম মায়কৈ রোমদা কোয়রগা চৎকদবনি হায়রি।

হয়েংগী থৌরম অসিগীদমক লোকল ক্লব/ওর্গনাইজেসনশিংনা থৌরাং তৌরিবা পার্কিংগী মফমশিংনা ইম্ফাল লোমদগী লাকপা গাড়ীশিংগীনা ফুরামখোঙ নম্বুল মপালগী ৱাই য়ু সী গ্রাউন্দ, ইম্ফাল লোমদগী লাকপা অতোপ্পা গাড়ীশিংগীনা লংথবাল লেপ মখা লৈকায়গী এস আর দি সী গ্রাউন্দ, কাঞ্চিপুর রোমদগী লাকপা গাড়ীশিংনা তরাহৈ স্কুলগী এল পি মদ্রাসা, টিদ্দিম রোদতগী মেকোলা অমসুং নিঙোম্বম ফাওদুনা লাকপা গাড়ীশিংনা হিয়াংথাং কাংজৈবুং গ্রাউন্দ, ইরোম মৈজ্রাও অমসুং নম্বোল লোমদগী লাকপা গাড়ীশিংনা কামখ্যা পেমতোন কোলেজগী গ্রাউন্দ, ময়াং ইম্ফাল লোমদগী লাকপা গাড়ীশিংনা শামুরৌ গ্রাউন্দ, লিলোং/কাঞ্চিপুররোমদগী লাকপা গাড়ীশিংনা টি ৱাই দি সী গ্রাউন্দ অমসুং হাওরৈবি/কারাংরোমদগী লাকপা গাড়ীশিংগী পার্কিংনা চন্দ্রনদি পোইন্টদা খামগনি হায়রি।

# লিগেল এৱ্যের্নেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচএনএস): ৭৫-অজাদি কা অমৃট মহোৎসবকী শরুক অমা ওইনা দি এল এস এ, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং নিরভানা ফাউন্দেসন লিগেল এইদ ক্লিনিকনা নালসাগী মখাদা মসলসাগা খূৎশম্নদুনা নোংমগী ওইবা ওনলাইন লিগেল এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। 'দ্রগ য়ুজ অমোং সেক্স ৱার্করস এন্দ মিজরস ফোর রিহেবিলিটেসন' হায়বা টোপিককী মখাদা পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম অদুদা দি এল এস এ ইম্ফাল ইষ্টকী চ্যেরমেনসু ওইরিবী সেসন্স জজ আর কে মেমচা, দি এল এস এ অসিগী সেক্রেটরিসু ওইরিবী সী জে এম, ইম্ফাল ইষ্ট এন লনলৈমসু শরুক য়াখিবগা লোয়ননা সিভিল জজ (সিনিয়র দিভিজন) ইম্ফাল ইষ্ট কে নিরোজিৎনা রিসোর্স পর্সন ওইনা ৱা ঙাঙখি।

## জিরিবাম দি সীনা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচএনএস): জিরিবামদা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স কোর্ট হাংদোকপদা চঙগদবা ক্বার্টরশিংগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দি সীনা ঙরাং কম্মিস্নর (লো) দা অইবা চেরোল অমা পীদুনা হৌজিক দিষ্ট্রিক্ট অসিদা হাঙদুনা লৈরিবা ক্বার্টরশিংগী অকূপ্পা মরোলশিং খঙহনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা ক্বার্টরশিং অসি রিপ্যারিং তৌবদা চঙগনি হায়না ঈ ঈ/পি দব্লিয়ু দি, জিরিবামনা খঙহল্লকপা ৱাফমশিংসু মরীক চুম্না খঙহনখ্রে হায়রি।

## একোদোমগী ১৩শুবা ফাউন্দেসন ...

*লামায় ১গী মখা...* থৌরম অসিদা একোদোমগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট আর কে সনায়াইমা, প্রসিদেন্ট টি ঐচ বুধ মৈতে অমসুং নুপী খুন্নাই চাওখৎ লমজিং লূপ, মোরেগী জেনরেল সেক্রেটরি এল তামেং লৈমনা ময়ায়গী ফম্ফমদা ফমখি। থৌরমগা মরী লৈননা টি ঐচ বুধ মৈতৈনা একোদোম অসি করিগীদমক করম্না শাফোংলকখিবনো হায়বগী মতাংদা ফোঙদোকখি।

ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর টাউন ওইরিবা মোরেদা একোদোম হায়রিবা লূপ অমা তঙাইফদনা লৈতবা য়াদে হায়বা পান্দম অমগা লোয়ননা ৱাখল মান্নবা মীওই কয়া পুনশিন্দুনা লূপ অসি শেমখিবনি। মাগী মাগী কম্যুনিতিশিং চাওখৎনবা, মখোয়গী ওইবা ওর্গনাইজেসন কয়া শেমদুনা লৈরি। অদুবু একোদোম হায়রিবা লূপ অসিদি অকক্লবা ফুরুপ অমখক্কী নত্তে। তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা ফুরুপ পুম্নমক্কীনি হায়খি।

পূন্না থবক তৌমিন্নবা তারগদি চাওখৎপা পুরকপা ঙমগনি। লোয়ননা নুংশি চান্নবা পুরকপসু ঙমগনি। মসি ওইরবদি চাওখৎ খোঙথাং কয়াদা চৎমিন্নবা য়াগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লোয়ননা একোদোমনা মোরেদা শাফোংলকপা মতুংদা মীয়ামগী করি থবক থৌরম কয়া পায়খৎখিবগে হায়বগী মতাংদসু ফোঙদোকখি।

মোরেদা লৈবা তোঙান তোঙানবা কম্যুনিতি কয়াগী মহৈরোয়শিং লেম্না কোচিং ক্লাসশিং চহী খুদিংগী পীদুনা লাক্লি। হন্দকসু ফ্রী কোচিং ক্লাসশিং পাঙথোক্কনি হায়বগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা ক্লাস টেনগী এগজামিনেসনদা পোজিসন হোল্দর ২০দা কেস প্রাইজ ওইনা লুপা লিশীং ৫০ পূল্লিং থৌগৎদতুনা পীগনি অদুগা চহী ২গী ওইবা স্কোলরশিপ্পুনা লুপা লিশীং ৩০/৩০ পীগনি হায়নসু লাউথোকখি।

## হুই ৭ পুরকপা মীওই ৪ ফারে...

*লামায় ১গী মখা...* ফাগৎখ্রে।

ফারবশিংদি চুড়াচান্দপুরগী খোপুইবুং ভিলেজদগী লেটখোহাও (২১), অপোকপা হেমজাং, টুইলেলুওন ভিলেজদগী জোন পাওলুন খোংসাই (২৬) অপোকপা লেটখোলিন খোংসাই, খোপুইবুং ভিলেজদগী থোংলেট মাতে (৫৩) অপোকপা জাংখোলেট মাতে অমসুং মোরেগী ওল্দ চাংপোল ভিলেজদগী থোংখোহৌ মাতে (২৩) অপোকপা হোলসৈ মাতেনি। মখোয় মরিনা হুইশিং অদু বোরাখাওদা হাপচিল্লগা পুরকপদা হুই অমদি শিরল্লে হায়রি।

মখোয়গী মথক্তা প্রিভেন্সন ওফ ক্রুএলিটি টু এনিমেলস এক্ট, ১৯৬০গী সেক্সন ১১ (১) (দি) অমসুং আই পি সী সেক্সন ৪২৮গী মখাদা কেস এফ আই আর নম্বর ১৭ (১০) ২০২১ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলে হায়রি।

# পোজিটিভ কেস ১২০ থেংনখি...

*লামায় ১গী মখা...* কেস ১২০ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা থেংনবা অপূনবা পোজিটিভ কেস মশীং ১,২২,২২৮ (জেনরেল পোপ্যুলেসন - ১,১৭,৯১৯ অমসুং সী এ পি এফ - ৪,৩০৯) শুরে। অপূনবা ফগৎলকখ্রবা মীওইশিংগী মশীংনা ১,১৮,৯০৮ (জেনরেল পোপ্যুলেসন - ১,১৪,৬২৪ অমসুং সী এ পি এফ - ৪,২৮৪) শুরে হায়রি।

ঙসিগী ওইনা লৈখিবা এক্টিভ কেসকী মশীংনা ১,৪৩৩ (জেনরেল পোপ্যুলেসন - ১,৪১৩ অমসুং সী এ পি এফ - ২০)নি হায়বগা লোয়ননা রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৭.২৮ য়ৌরে হায়রি।

ঙরাং ফাওবদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা খুদোংচাবা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী অপূনবা মশীংনা দি টাইপ - ৬৫২ অমসুং বি টাইপ - ১৭৪নি হায়বগা লোয়ননা ঙরাং খক্তদা মীওই ১৩,২৬৮ কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখি হায়রি। লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা পূন্না কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিবা মীওইশিংগী মশীং ১৭,৮৬,২৭৪ (অহানবা দোজ - ১২,৩২,৩৩৮, শুবগা লোয়ননা সেকেন্দ দোজ - ৫,৫৩,৯৩৬) শুরে হায়রি। অদুগা ঙরাং ফাওবদা তোঙান তোঙানবা হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা হাঙদুনা লৈখিবা কোভিদ-১৯গী ফমুংশিংনা রিমস (কন্টেক্ট নম্বর - ৭৬৪০৮৬২৩৯৬) - জেনরেল বেদ ২০৬, আই সী য়ু/ঐচ দি য়ু বেদ ২৬, জেনিমস (কন্টেক্ট নম্বর - ৮৮৩৭৩৪২৫২৬) - জেনরেল বেদ ৪২, সী এম সী কোইরেঙ্গৈ (কন্টেক্ট নম্বর - ৯৬১২৬৩৬০০৪/৯৬১২৯০৫৬২৮) - জেনরেল বেদ ২৭, আই সী য়ু/ঐচ দি য়ু বেদ ৮, ইবোয়াইমা হোস্পিটাল (কন্টেক্ট নম্বর - ৭০০৫৪৩৬৮৭০/৯৬১২০২২১২৫) - জেনরেল বেদ ২৫, আই সী য়ু/ঐচ দি য়ু বেদ ৫, জিবন হোস্পিটাল (কন্টেক্ট নম্বর - ৯৩৬৬০৩৪২৭২/৭০৮৫৩৪৮৩৬৬) - জেনরেল বেদ ২০, আই সী য়ু/ঐচ দি য়ু বেদ ৫, শিজ হোস্পিটাল (কন্টেক্ট নম্বর - ৯৪৩৬৮০৭৩৪৬/৭০০৫১২৫১৫৮) - জেনরেল বেদ ৪৫, আই সী য়ু /ঐচ দি য়ু বেদ ৩৭ অমসুং রাজ মেদিসিটি (কন্টেক্ট নম্বর - ৭০০৫১০৫৫৫২/৯৩৬৬৪৯৬৪১১) - জেনরেল বেদ ৭৯, আই সী য়ু/ঐচ দি য়ু বেদ ২১নি হায়রি। লোয়ননা তোঙান তোঙানবা হেল্থ ফেসিলিটি ৭ অসিদা ঙরাং ফাওবদা লৈখিবা কোভিদ-১৯গী অপূনবা জেনরেল বেদ মশীংনা ৪৪৪নি অদুগা আই সী য়ু/ঐচ দি য়ু বেদকী মশীংনা ১০২নি হায়রি।

# ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী থৌওং খম...

*লামায় ১গী মখা...* য়ুনিভর্সিটি অসিনা মহৈরোয়শিংগী তঙাইফদবা দোকুমেন্টশিং মতম চানা পীথোকপা ঙমদবা হায়বসি য়াম্নমক লাইবক থীবনি। করিগুম্বা মহৈরোয়শিংগী য়াইফনবা মখোয়গী ফংফম থোকপা রাইটশিং পীবা ঙমদ্রগদি য়ুনিভর্সিটি অমা ওইনা লৈবগী ৱাহন্থোক লৈতবগা পাঞ্জক ওইরে। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লসু মীৎয়েং চঙবিদুনা মহৈরোয়শিংনা চহী কয়াদগী অৱাৎপা খুদোংচাদবা কয়া থেংনদুনা লাক্লিবা অসি কোকহন্নবা হোৎনবিয়ু। নৎত্রবদি মহৈরোয়শিংগী পুন্সিদা অতোপ্পা মপান লমগী মহৈরোয়শিংগা চাংদম্নবা মতমদা অদুমক শোৎথনা লৈরগনি হায়নসু ফোঙদোকরকখি।

নীংশিংবা য়াবদি য়ুনিভর্সিটি অসিগী ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ননসু হৌখিবা সেপ্তেম্বর থাগী অরোইবা মতমদা পাউগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা য়ুনিভর্সিটি অসিদা হৌজিক-হৌজিক থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং, অৱাৎ-অপা কয়া লৈরিবা অমদি তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্ট কয়া শারিবা অসিসু অথুবা মতমদা লোইশিনবিন্নবগী মতাংদা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবদা থবক্তা ওন্থোকপীরকপগী ৱাফমদি লৈত্রি। মমাং থাদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী জেনরেল সেক্রেটরি অমদি ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী জোইন্ট ষ্টুদেন্ট ফোরমগী কনভিনর সলাম রোহেননা মহৈরোয়শিংগী মার্কসিট অমদি এদমিট কার্দ মতম চানা পীথোকপীদবনা মহৈরোয়শিংগী করিয়র মাঙগদ্রা হায়না মীপাইবা পোক্লরে। ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা লৈরিবা কোলেজশিংগী মহৈরোয়শিংনা ময়োক্নরিবা খুদোংচাদবশিং অসি কোক্লনবগীদমক ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেলরনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সীদা ওফিসিএল লেটর অমা থাবিয়ু। লোয়ননা অতোপ্পা মপান লমগী য়ুনিভর্সিটিশিংদা মখা তাবা মহৈগী তোঙান-তোঙানবা কোর্সশিংদা এদমিসন তৌবা য়ানবা মরি লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং ফংদ্রিবা ফাওবদি মপানগী য়ুনিভর্সিটিশিংদা পীশিনবা য়াবা ওফিসিএল লেটর অমসু ইসু তৌবিয়ু হায়নসু ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি।